# তরাগী চৈশু ... লাইওইরবা সনা খোংনাং পাম্বীশিংগী মতিক ময়াই মীরাইরোইসি

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

**নাইতোম তাবা ষণ কৈনা চায়/অপূনবনা পাঙ্গলনি/তরাগী চৈশুনা লেংথোং ফায়/** ঐখোয়গী অহল লমনশিংনা থন্বীরম্বা পাউরৌ পাউতাকশিংনি। মীরোন খুদিংমক্লা খঙজিন্দবা য়াদবা ঙাক্লি। মরমদি মফম মতম খুদিংমক্তা ইচুদা চুশিন্নদুনা লৈরবনি। তোঙান তোঙানবা ফুৰুপকী মতুংইন্না লোল, কুচু, লাইনীং-লাইচৎ, নাৎ-কলচর, চৎন-লোনচৎনচিংবদা খেন্নবা কয়া লৈবদি মীওই খুন্নাইগী মচৎনি। অদুবু পঞ্জখ্রিবা ৱাহৈ পরেংশিং অসিদি পূন্নমক্কী ওইবা লনগৈনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মীওইবনা হৌরকঙৈদগী মৈ করিনো খঙদ্রবসু, ফি শেৎপা হৈত্রবসু, অথোংবা অমুনবা চাবগী হৈনবী লৈত্রবসু কাঙলূপ কাঙলূপ ওইনা কোয়চৎ চৎলম্মী। অফং অফংবা শা-ঙা, উহৈ চাদুনা হিংলিঙৈ, য়ূম-কৈ লৈত্রিবা মতম, উখা-ৱাখা, লৈকূৎ লৈরাই, শুৰুংনচিংবদা য়ারেক নোংফাইবগী পুন্সি মহিংদা হিংজরবসু নাইতোম নাইতোম লেল্লমদে। চাউবা পিকপনা তোঙানবা ৱাফমনি, কাঙলূপ নাইনা হিংলম্মী। মখোয়গী পুন্সিদা খুদোংথীবা নংহনবা শা-কৈনচিংবা তমথীবা য়েক্নবশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবনি। মসিদনি পুনশিন্দবা শুংয়া য়াদে, অপূনবনা পাঙ্গলনি হায়নরক্লিবসি। তমথীরে শাথীরে হায়রিবা কৈ নোংশাশিংসে মী তরাদংগা থেংনসি, য়েন্নাও অমগা লম্বা পানবগুম্না থোক্কনি। মী অমত্তংগা থেংনরদি কমদৌনি? সুপরমেনগুম্বা মীগী ৱাদি খঙদে ঐগী ওইনদি কৈদুনা ময়া খিগৎলগা হাইফেত্তং ঙংলকপদা তিংদম ৱান্থরগা অদুম্মক লানখিদৌবা মাল্লি। ইতুংদা থৌনা লিংজেল লৈবা মী মঙা তরুক্তং লেপ্পীরদি কৈসু কিবিরোই।

মমাঙথক্তা মালেমগী মফম অয়াম্বদা থোকখিবা পুৱারীনা ঐখোয়দা পাউদন্নি মদুদি খূৎকন পাঙ্গল্লবা কয়ানা চিকমাঙ চিকমাঙ মাঙখি হায়না। মরম খরা লৈখি। মখোয়শিংদুগী মনুংদা লৈঙাকপগী থৌদাং পুরিবা মীওই মশেল মরক্তা কল্লক য়েংথীনবগী মৈরি হৌরকপা পুকচেন খোইজেন তিন্নরক্তবা লিংজেল মান্নরক্তবসু অচৌবা মরম অমা হেক্তমক ওইরম্মী। ঐখোয়গী মণিপুরদসু অদুমঙায় হঞ্জিন হঞ্জিন হায়মন্দুনা ইচিনসিনা পনগদবা ইকায়জরে। মমাঙথক্তা থোকখিবা থৌদোক মচা মচাশিংদি পঞ্জররোই। ঐখোয় মশেন মুকখায়নবগী খুদোংচাবা বর্মিজশিংনা লৌবমক্তদা মণিপুর মীয়াম ফুন্দ্রে হেক তুবনি। মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদনা মরোন অমা লৈফম চাফম খঙহনখিদে। মথং মথং চহী তরেৎ খুন্তাকপা, মণিপুরবু বৃটিশ লোইলম লৈঙাক মখাদা লৈখিবা, পুৱারী লমায় হাইদোকপদা মিহুন তিং তিং চোংলিবনি। করি করম্বা তীনমু লাইমুনা তীনয়েৎ লাইয়েত্তুনা অদুক য়াম্না লিংজেন মান্নখিদবনো খঙদে। য়ারোইয়ে! সনা তাংবনতবু মিকাবা মশীং য়াম্মনলে। লৈবাক মীয়ামগী মপি মপানি কাউথোকপমখৈ লিন ময়াম্না য়াই মুন্নবগুম মুন্নজবশাই। মদুননি মীতোপ অমা নৎত্রগা অমনা মীশৌ চঙলকখিবা, মখোয়গী খূবাম্মুংদা মথং মথং তাখিবদু।

লৈবাক খুন্নাই মীয়ামগী য়াইফনবা থবক্তা মায় পাকহন্নবা খ্বাইদগী মপাঙ্গল ফৰা খূৎলায়দি লিংজেল মান্নবনি। ***অপূনবগী লীপুন*** হায়বা ৱাহৈসিবু থৌশারুদ্রবা ফনমক পাঙ্গল কন্দুনসু, লৌশিংনা য়োম্লবা মীয়াম অমা লৈরবসু করিমত্তা কান্নদে। হীরম খুদিংমক্তা মায়থীফমগী মায়থীফম ঙাক্লি। খুদম ওইবা য়াবা ৱারী ময়াম লৈ, অমা পঞ্জগে। থায়না মমাঙঙৈদা চাইনাদা হান শাগৈনা পাল্লিঙৈ মতমদা থোকখিবা থৌদোকনি। মতমদুদা লৌমী অমদি মীনাইশিংদা মপুশিংনা চখবা মীওৎ মীনৈ খাঙবা ঙম্বগী ৱাংমা লানখি। লান মথং মথং হৌরকখি। ***রেদ ব্রোজ*** হায়না খঙনবা অচৌবা লানহৌ অমা নমথখ্রবা মতুংদা ***অপরাইজিং ওফ দ য়েলো হেদবেন্দজ*** হায়বা অমা লাকখি। কুমজা ১৮৪দা জাং মচিল মনাও অহুমগী মখাদা হৌরকখিবা লালহৌনি। হান লৈঙাক অমদি লালহৌবশিংগী মরক্তা শোক্নবা অকনবা লানফম অমা ওইখি। কাইনথংদা হান লৈঙাক্কী লান্মীশিংনা লালহৌবা লীশিং য়াঙ্খেরোম তুরেলদা ইন্থদুনা ইরাক্লহনখি। লান্মী লাখ অমরোম লানফমদা হাৎখি। জাং মচিল মনাও অহুমসু লানফমদা অথৌবা ওইখি। নুপী অঙাং খাক্তবমখৈ লালহৌ অদুদা মতেং পাংবনি চিংনবশিংবু লেম্না অমত্তা থাখিদে। অমত্তা ওইনা পুনশিনবা ঙমদবা মখাই মখাই তানবনা মরম ওইরগা ***য়েলো হেদবেন্দশিংগী*** লাইবক থীবা হায়বদু ওইখি, মীওৎ মীনৈ তৌরিবশিংদা মপাঙ্গল হাপখিবশিংদা।

হন্দক মৈতৈশিংনা থেংনরিবা অৱাবসিদি করিগবু চাংদম্নগনি। উবীনবা-তাবীনবা লৈতনা খঙৱা ৱাবনি। মীচঙ চঙবীয়ু হায়বৈ ৱা নত্তে। করি থোক্লি হায়বদু খঙবীয়ু হায়বনি। মালেম 'পূম্বনা নাকল অমদা লেপখ্রবসু লাক্কদবা খুদিংমক মায়োক্লরগে হায়না মৈতৈশিংনা খোঙফম চেৎনা লেপখ্রে। ঈং-তপ্পা পামজবশিংগী ৱারেপনি। লাঞ্জং নত্তে, লান্দারকপশিংদগী ইশা কঞ্জনবা ফিরেপনি। অরুবা ফিরেপনি, খোঙফম অমা শোয়বা য়ারোই। লৌশিংনা হিমায় চুম্লগা পাঙ্গলনা হি হোনগদৌরিবনি। খজিক্তং শোয়বদা চেকশিনহৌদবদা ঈরাক্লদৌরিনি। লাইবক ফবদি খজিক্তং থেঙলবসু থেঙনা ***তরাগী চৈশু*** হায়না মিংথোনবা কম্মন প্লেটফোর্ম অমা শাফোঙলক্লে। ৱাখল লৌশিং চঙখোল্লবা সিনিয়র সিটিজনশিংনা পুনশিন্দুনা শেম্বনি। অপূনবনা পাঙ্গলনি হায়বসিনা মোটো ওইরি। ইকায়খুম্ননা থাংগৎচনীংবা মীওইশিংনা লমজিং লমতাকপা ওইরি। মিং পঞ্জরে, সিনিয়র এদভোকেট খাইদেম মনি, রিটাইয়র্দ আই এ এস, আর কে নিমাই অমদি রিটাইয়র্দ আই পি এস সোনামনিনচিংবা ঐখোয়গী হিমায় চুম্বীগনি হায়না চোংথোকপীরক্লে। মসিদবু ঐখোয়না পূক্নিং শোন্থদুনা লৈফম থোক্লিবরা? মণিপুর মীয়াম্বু থৌনা হাপ্পীগে লমজিং লমতাক্কে হায়না চোংথোকপীরকপা অসিবু তরাই তরাইনা লৌফম থোক্তে। ইমা লৈবাক্কী অপূনবা শক্তম কায়খিদনবা হোৎনরিবা চেন চোংলিবা মীয়াম্না লম্বী লম্ফাংনখিদনবা ঙাক্লৌ লৈরে হায়না চাউথোকচফম থোকই।

থায়না মমাঙঙৈদদি ৱাখল লৌশিং চঙখোনবশিংবু কোনুংদা লৈহন্দুনা নিংথৌগী লৈঙাক থৌরমদা লমজিং লমতাক্লবা লেঙদনা লৈরম্মী। চন্দ্রগুপ্ত মৌর্য্যনা হৈ-শিংবা লৈঙাকপা ওইখিবদু কৌটিল্যা (চানক্য) লৈরমদ্রদবু অদুম্না ওইথোক্লমগদ্রা? মণিপুরগীসু অদু মঙায়, মাইচৌ কয়াগী মতিক ময়াইগী ৱারী ঐখোয় অয়াম্বনা খঙনরবনি। ঙসিসু অদু মঙায় মণিপুর মীয়াম অকি অখং নংলি মিপাইনরি। খোয়রাং খোয়শাওনবনা খল্লোইদবা তৌরোইদবা কয়া খল্লকপা তৌরকপগী মমি তল্লক্লি। মপি মপা লৈত্রবগুম লমজিং মঙাল পীবিনবা য়াওদ্রবগুম্না পূক্নিং নুংশিবনা লোইনরে। পেন্দবা নুংঙাইতবগী চাংদি শিরবসু অদু মঙায়রে খনবা মতাং য়ৌরক্লে। অসিগুল্লবা লুরবা তানফম অসিদা লেংথোং ফারবা ***তরাগী চৈশুনা*** মণিপুর মীয়ামগী ঙাক্লৌ ওইবগা লোয়ননা পাঙ্গল লৌশিং হাপ্পগনি হায়না চেৎনা থাজৈ। মরমদি লাইওইরবা সনা খোংনাং পাম্বীগী মতিক ময়াই হায়নরিবনি, মীরাইরোইসি। অমুক হন্না ৱাকৎলরোইসি, মীয়াম লৈরি পুনশিল্লসি ইথৌ পাঙথোক্লসি, মীনা লাকচবা ঙমদবা য়াইফবা মণিপুর অমগীদমক। ●

# 'লান ভর্সেস লৈত-লায়র'

-চোংথাম হেমচন্দ্র -

লান লেপলোইদৌরি। লেপ্পবসু তৌদ্রি। তৌগদবসু মান্দ্রে!! মৈতৈ/মীতৈ মীচংসু য়াওদা, লুচিংবসু লৈত, তেংবাঙবীনবসু লৈত, লান্না প্রচার তৌবসু হৈজদা, ৱানা লেল্লি মপুগী থৌজাল ঙাইনা কুকিগী নোংমৈ, বোম-তোপ মরকসিদা। "হা উরোক... নমাংসু লাং, নতুংসু তেন" হায়না লানপুং ময়ায় অসিদা।

তশেংনা করি মতৌনো তৌরিসিবো সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনীসিবো মমীৎ উদ্রবরা, মনা তাদ্রবা জাৎলা, "ম্যান্মারদগী কুকি য়াওনা মৈতৈদা লানতারে" হায়না মণিপুরগী গভর্ণর মশানা শেংনা হায়খ্রে। অদুদি লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎপীবা য়াদবজাৎলা? কাশ্মীরগা ঐখোয়গা করি খেন্নরিবগে? পাকিষ্টানদগী চঙলকপা 'আই এস আই' গী কাদরশিং তকথোক্লবগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৈজবী থাদুনা হোৎনরিবা অসুম্না মণিপুরগীদমক হোৎনফম থোক্তবরা? মণিপুরসিবো ইন্দিয়ন টেরিটোরিগী মেপতা য়াওগুম তৌইদা। ঐনা লানগদ্রা? থা ২গী মতুংদা নোংজু মীফমগী মাংওইননা ভিদিও ক্লিপ অমখক য়েংলগা 'পৃথিবীগী মমাঙদা মীংচৎ থীহল্লে, ইকায়বা পোকই' হায়না পি এমনা নাকল নাম্মদগী ওইবা ৱাফম থন্বীখ্রে। ঐখোয়গী য়ূম-কৈ, লন-থুম, মীওই কয়া হাৎপা-তুপ্পা ময়াম অদুবুনা য়েংবা হৈত্রবা জাৎলা? কৈনো অমনিকো লৈবাক মচাশা...।



নোং হেক ঙানবগা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী কেপিটেল পনিসমেন্ট পীগদবনি হেক্তা হায়রকই। মপুনা য়ানবা মওংদা, য়াম্না চীং-লেম্না... ফজে অদুম। করিগুম্বা 'কেস' অমসিবু জজ অমসুং উকিল য়াওদনা হেক্তা রাই তাবা য়াবজাৎলা? আই পি সী নম্বর কয়াগী সেক্সন কয়া ওইজাৎনো? য়ারগদি মণিপুর হায় কোর্ট লৈত্রসু য়াদৌ মাল্লি। জজ অমসুং উকিল মথৌ তাররোই।

ঐখোয়সিবো অসুম্না খরা হাৎ, য়ূম খরা মৈ থাদনা তাল্লক্লিসিবো য়েংদুনা কয়াম কুইনা খাংখিসিগে? নৎত্রগা ঐখোয় লোইনা খূৎলায় পায়রসিরা? ঐখোয়না লৈবাক ঙাক্লবগীদমক মীহুৎ ওইনা খনখিবশিংদুনা কদোমদা লোৎখ্রবগে? মখোয়গী মচা-মশু শোক্তে হায়দুনা লৈথোকপা য়াদবা মতাংসু লাক্কনি। নীংশিংবীয়ু কংলা মমাঙদা অশাওবনা থুমহৎখিদুনা 'পুখ্রম্বা কাজাউনা পৃথিবীদা ঐ মঙাইরে হায়দুনা হিংজরিবা ইংলিসকী ফম্নাইবা অদুবু মীয়াম মমাঙদা তানা থিন্দুনা হাৎখিবা' মসিমক থোক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।

হায়নীং-ইনীংবদি য়ামখ্রে অদুবু করিসু লৈত্রবা মণিপুর ইমাবু নুংশিজবা মীচম ঐগী ইতিক নৎচদে। খুদিংমক ইন্দিয়াগী অমসুং মণিপুরগী ব্যুরোক্রেটশিংদা শিন্নজগে লৈবাক কায়দনবা লৈজবী থাদুনা হোৎনবীয়ু। হন্দক ঐনা য়াম্না চাকচবা অমা থেংনজরে মদুদি মিজোরামগী সী এমনা শেংনা এন দি এগী পার্টনর ওইরিবসি দিভেলপমেন্টখক্কীনি, মিজো অমসুং রিলিজনগী মতাংদা চৎমিন্নদে 'জি, সাহেব' য়াদে হায়না। কয়াদা মরৈবাক নুংশিরিবা মিজো ইমাগী অশেংবা মপারিনো। মিজোশিংনা ওন্থোকনা থাগৎনরি। অদুগা ঐখোয়গীদি কদাই থা ৩ ফারবা মীওই ১৬০ হেন্না পুন্সি মাঙখ্রবা, য়ূম-কৈ, লন-থুম কয়া মাঙবতা নত্তনা মৈতৈবু তাল্লক্লবা ফাওবদা দেল্লীদা অপ-দাউন চৎতুনা লৈরি। দেল্লীদনা অমা হায়, মণিপুরদনা অমা খুম তৌদুনা লৈরে।

ইহে!... মখা তারকপদা ঐগী কলমদা অমুক মীৎয়েং চিংশিঞ্জগে। ঐগী ঙসিগী টোপিক 'লান ভর্সেস লৈত-লায়র'। ঐখোয় লাক্কদবা চহী খরা অসি অসুক্কী মতিক লৈত-লায়রগী চৈথেং নংলরনি। ময়ূম-মকৈ লৈত্রবা, মপুরোইবা কায়নরবা, মমা-মপা লৈত্রবা কয়া অমা লৈহৌরগনি। মপূংদা য়েংবদা থেংনগদবা চৈথেং মখল অনী থোক্লা য়েংবা য়াই - (১) চাবা ফংদবা (২) শুফম-নোম্ফম লৈতবা। নৈন-ৱারোল শন্দোক্লা :- ১) চাবা ফংদবা :- ঐখোয়গী লোইজি-লোইয়াদা তাবা মৈতৈ/মীতৈ ইচিল-ইনাও অয়াম্বা লাঞ্জেন্নখ্রে। খরা অমনা রিলিফ কেম্পতা লৈরি। খরা অমনা মরী মতাগী য়ূমদা লৈ। অচৌ-অশাংগী মচা-মশুনা দেল্লীদা নুংঙাইনা লৈনরি। লৌফম কয়া লৌপানবা ঙম্নদ্রে। কুকিশিংনা তোইনা নোংমৈ কাপশিনবদগী লৌ পানবা য়াদবগী অচৌবা মরমনি। চাওরাক্লা য়েংবদা লৌ পরি লিশীং অনীমুক লৌ পাল্লোইদৌরি। খরা পাল্লিবা অসিসু করম তৌবা হায়বা ঙমদে। লৌ পরি অমদা ফৌ বোরা ৪০ থোক্লে হায়না খল্লসি, অপূনবা ফংগদবা বোড়া ৪০ x ২০০০ = ১৬,০০০ ফংদনা তোক্লগনি। ফৌ বোড়া অমা তকথোকপদা কেজি ২৭কী চেঙ ফংবা ঙমই। পুন্না বোড়া ২০০০দগী ঐখোয়না ফংগদবা চেঙ কেজি ৪,৩২,০০০ (২৭ x ১৬০০ = ৪,৩২,০০০) অসি ফংলরোই। চাওরাক্লা মীওই ২০,০০০ গুম্বগী চহী অমগী চাবা কোন্নগদবা চেঙ ঐখোয় ৱাৎলগনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী নিগদ্রা? নৎত্রগা ঙন্না লান অসি লোইশিনগদ্রা? ৱাফম অসি লৈঙাক পুরেলশিংদা থমজগে। নোংমদা চরা অনী শুনা চাবা ফংদবা ইমুং মশীং য়ামখৎলক্কনি। ৱাথোক লান্থোক্লা থল্লনি মৈতৈ লৈবাক অদুঙৈগী 'চহী তরেৎ খুন্তাকপা' ওইরনি খূৎশেমগী।

২) শুফম-নোম্ফম লৈতবা :- মণিপুর অয়াম্বনা ইন্দিয়াগী অচৌবা ষ্টেটশিংদগী নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমদগী হৌরগা কন্সত্রক্সন মেটরিএলনচিংবা খুদিংমক মীপান তাংদুনা হিংজবা অপীকপা চমজবা চীংনা কোয়শিনবা লমদমনি। পোৎ খুদিংমক মরাং কায়না ফংদে। মমল য়াম তাঙই। দিভেলপমেন্ট, কন্সত্রক্সন ৱার্ক খুদিংমক লেপ্পী। লন্নাই নত্তনা পৈশা পায়বা মহাজনশিংনা অহোঙবা মমলদা শীন্মীশিং নেক্কে হায়রক্কনি, চরা অমগীদমক থবক থিরক্কনি। খূৎশুমল অমুক য়েংসি, লৱাই-ইম্ফাল খায়দনা চৎনবীদা নোংমগী খূৎশুমল ৫০০-৭০০ ফাওবা চৎনরি। মী ৫/৬ লৈবা ইমুং অমগী নোংমগী, থাগী অমদি চহীগী এক্সপেন্দিচর টেবল অমা থমজগে-

টেবল অসিদা অঙাংগী লাইরিক-লাইশু, পোৎয়েং-থৌয়েং দেব-কম্মগী বডজেট য়াওদ্রি। মদু

| Member | Day | Month | Year |
| --- | --- | --- | --- |
| ৫/৬ | [illegible] 3kg x 40 = Rs. 120<br>[illegible] 2 x 80 = Rs. 160<br>অতৈ-অতৈ = Rs. 200 | রু: 480 x 30<br>= রু: 14,400 | রু: 1,72,800 |
| | অপুনবা রু: 480 | রু: 14,400 | রু: 1,72,800 |

হাপ্লগদি চহী অমদা অসুক্কী মতিক দিফিজিৎ তারনি। মহাজন্দগী অচৌবা শেনফম অচৌবা শেন্দোইদা পুরনি, লন্দোন ওইহৌরনি। অঙাংশিং ঙম্না মহৈ-মশীন তম্বা লেপ্পা মশানা তাবনি। চাইল্ড লেবর মশীং খঙদনা হেনগৎকনি। হ্যুমেন ত্রাফিকিং প্রোব্লেম থোক্লনি। মমল য়াল্লবা নহারোল কয়া লমফৈ চৎনখিদুনা লৈবাক ঈরাং তোইনা থোক্তুনা সোসল ক্রাইম হেনগৎকনি। অখন্নবা থৌরাং লৈঙাক্লা শীনবীরোই, শীল্লবসু চেদা ফজগনি, থবক য়াওরোই। সিনি লানগী চৈথেং।

গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ী অমসুং ব্যুরোক্রেটকী থবক কারোই তোলোপ ফংগনি, নুংঙাইনা হিংগনি, অহাওবা চাগনি। মচা-মশু মপান্দা থমগনি, অফবা এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংহনগনি। কল্লকপগী নৎচদে, লাক্কদবদু হায়জবনি। এম এল এ, মিনিষ্টরগী মচা-মশু নুংঙাইনা লৈগনি। লায়রবা মপান্দা চৎপা ঙমজদবা মহৈরোয়শিং ককঙাওনগনি। কাঙ্খ্র-থাঙ তাদুনা, লৈঙাক্লা ফজবা স্কিম কয়া পুথোক্কনি লাইরিক হৈরবা নহাশিংগীদমক - ষ্টার্ট-অপগুম্বা, অচৌ অশাংগী ইমুং মনুংগী মচানা খুদোংচাবা ফংগনি, লায়রবা শঙ্গ লৈজদবা মচা মশু কান্নরোই। করবার মচা মচা তৌবশিং শেন্দোং লৈরোই, দিলরশিংগীদমক য়োনবীবা তাগনি, ইমুং পুবা ৱাগনি।

লোইরমদাইদা নুংঙাইবা পাউ অমনা, ত্রেনদা চান-থক্নবা য়ৌরকখ্রে হায়রি মমল হোঙনা ফংলনি হায়রি। মরাং য়াম কাইনা ফংহল্লনি হায়রি। শেল য়াওদনা পোৎ লৌগে য়াগদ্রা? শেন্থোক লৈত্রবা মীয়াম হুরানবা তাবনি! শুফম পীবা তাই, শেন্থোক লৈহনবা তাই। অদুগীদমক গভর্ণমেন্ট লৈরিবনি। মতম চূপ্পদা সেন্টরদা মপান তাংদনবা মীনা তৌরিবা অসুম্না মপান লৈবাক্লা মরী শেমদুনা অফবা অনৌবা শেন্মীৎলোন শেমগৎতুনা ইজাতিবু কন্দুনা মৈতৈ লৈবাক সনা লৈবাক ওন্নবা হোৎনরবতদা ঐখোয়গী মী ৱাৎলোই। লায়রবা মীগী মরুপ লৈরোই। লৈবাক নুংশিবীয়ু মণিপুর কন্নবা হোৎনবীয়ু। 'লোঙ লিভ মণিপুর' ইমা লৈবাক্লা য়াইফরে। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭১

১) **"লাই হরাউবগী ৱাখল্লোন পরীং"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **"খুদোল্লে"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **"ৱাধরিং হাইটস"** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা অদু কনানো অমদি মণিপুরীদা কনানা ট্রান্সলেসন তৌবগে?

৪) **"লাইয়েকপা/য়েকলি লাইয়েকপা কনানা/মাগী মাগী কেনভাষ্টা/ফজ ফজবা লাইয়েক/ঐসু য়েক্কে কেনভাসসিদা/নীংতম্বা ইমাগী শক্তম/শান্তিতবু পামজবা ঐনি"** শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি, অইবা অসি কনানো অমসুং মহাক্কী শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৫) **"অশিবা হুরানবা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭০কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবদি*

***১) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,৩,৫)***

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৭০গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৭০গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯গী পাউখুম

১) **"খন্থ খন্থরুরগা নুংঙাইরকপা"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা- মাইবম নবকিশোর সিংহ, ফর্ষ্ট এদিসন : ৩০ সেপ্টেম্বর, ২০২২।**

২) **"য়ুরাংফম"** (২০১১) হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? **:- ওরিজিনেল লাইরিক্কী মমিং - মধুশালা, অইবা - হরিবঁস ৱাই বচ্চন, মণিপুরীগী হন্দোক্লোই : সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

৩) **"লম্বী অমদা"** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো? **:-লাইরিক্কী মখল - নোভেল, অইবা - এম দেবলা দেবী, ফোঙবা : তাং ২৬ কালেন, ২০০২ ইং (বুদ্ধ পুর্ণিমা)।**

৪) **"হে ইমা পোক্লফম লমদম ও/পলেম-পোকপী পলেম ও/য়েংঙমদেনে নঙগী ৱারবা নতৌ/উঙমদেনে নীংবা কায়রবা শক্তম/"** শৈরেং মতেক অসি মণিপুর মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি, অইবা অসি কনানো অমসুং মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তগী লৌথোরকপা শৈরেং মতেকনো? **:- অইবা - খাইদেম জপান, লাইরিক্কী মমিং - বরাক তুরেল ইমা, লৌথোরক্লিবা শৈরেং - খোঙচৎসিনা লেপত্রবদা, অহানবা ফোঙবা : ২০১১ ইং।**

৫) **"নোংথাঙনা মুৎখ্রবদা"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:-অইবা - দেবচান্দ, লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা, অহানবা ফোঙবা: ২০০৬।**

# ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা কয়াম কুইনা য়েংদুনা লৈখিগদগে? - ২

## (ঐখোয় খুদিংমক্লা তুং-কোইনা চৎনগদবা পাম্বৈ অমা থিদোক্তুনা নাকল অনীমক্লা য়ানবা পোলিসি অমা লৈহৌনবা হোৎনবা মথৌ তারি)

- সলাম প্রশান্ত -

ঙসিগী লৈঙাকপশিংনা মীয়ামগী ইহুল মশক খঙনা থবক তৌবা ফৈ খল্লি। খূৎলায় পায়দবা মীচম মীয়াম হাৎতুনা মীচম মীয়ামগী লন থুম,ময়ূম মকৈ মৈ থাদোক্তুনা লান্দারক্তুনা লম মুল্লবা ফাওবদা সেন্টরগী য়াথং ঙাইদুনা কুকি টেররিষ্টশিংবু কয়াম কুইনা য়োক্তুনা থমখিগদগে? রিফ্যুজিশিংনা শৈদাংদুনা লৈরগা মশাগী হোমলেন্দ অমদি সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তাল্লক্লবা ফাওবা ঐখোয়গী লৈঙাকপশিংনা সেন্ত্রেলগী লুচিংবশিংদা জি-জি তৌদুনা লৈরিবা করিগীনো হায়না মীয়াম্না হংনরিবসিগী পাউখুম চীফ মিনিষ্টর অমদি মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংনা অমদি এম এল এশিংনা চপ চাবা পাউখুম পীফম থোকই খল্লি।

ঈরাং অসি থোকহল্লিবসি মরু ওইবা মরম, ঈরাং অসি কনানা থোকহল্লি, ঈরাং অসিবু লোইশিন্নবা অমত্তা ঙাইরবা লম্বী, কুকি-চিন-মিজো টেরিরিষ্টশিংবু মরূ ফংনা মণিপুরদগী তকথোকপা অমদি সুগী গ্রাউন্দ রুল থুগায়বা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা অকনবা থবক লৌখৎতুনা মখোয় মখোয়গী দিজিগনেটেদ কেম্পশিংদগী হেন্দোকহন্দনা থম্বা মতমদা ঈরাং অসি ফখিনি খঙনা খঙনা থা অনী হেল্লবা ফাওবা করিগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মশক থোকপা আইনগী ওইবা থবক অমত্তা লৌখত্তনা য়েংদুনা লৈরিবা করিগীনো? য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী কম্মিটমেন্ট করিগী থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদবনো? অমুক লাক্কনি হায়দুনা হনখিবা ঙসি ফাওবা লাকসু লাক্তবা মশানা পীরমখিবা কম্মিটমেন্টসু ঙাকপা ঙমদবা, ঈরাং লোইশিন্নবসু হোৎনদবা করিগীনো? কয়াম কুইনা কুকি মিলিটেন্টশিংগা লান শোক্নদুনা লৈখিগদগে? করম্বা মতমদা গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎকদগে? প্রাইম মিনিষ্টরনা কয়াম কুইনা ৱা ঙাঙদনা কুম্মৈগুম য়েংদুনা লৈখিগদগে? প্রাইম মিনিষ্টরনা জুন ২৫দা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা রিভিয়ু তৌখিবগী আউটকম কদায়দা করি তৌরিবগে? মণিপুরগী গভর্ণরনা ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর উন্নদুনা পাউ তল্লবা ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরগী মরমদা ঙসি ফাওবা করিমত্তা হায়দ্রিবসিগী অরোনবা করি লৈবগে? টাইমস ওফ ইন্দিয়াগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না কুকি টেরিষ্টশিংগী মখূৎতা জুন থাদা য়াল্লবা অফবা মখলগী খূৎলায় কয়া য়ৌখ্রে হায়দুনা মণিপুরগী পাউচেশিংদা ফাওবা ইনখ্রবসু ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা ৱাফম অমত্তা শেংদোক্ত্রিবসি করিগীনো? য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা অমুক হন্না থাজবা পীরখিবা 'কুকি মিলিটেন্টশিং লাকশিনবগী থৌদাংনা ঐনা লৌগে' অদুগা 'তম্পাক্কী লাংলিবসিনা চীফ মিনিষ্টরনা থৌদাং লৌ' হায়না হায়রকখিবা অদুগী ওন্ন তৈনবদা ঙসি ফাওবা লেপ্পুনা মীহাৎ-মীপূন তৌবা লেপত্রি। সেঞ্জম চিরাং, খোইজুমানতাবী, ফৌগাকচাউ, ক্বাক্তা থংন-থংননা বোমনচিংবা শীজিন্নদুনা মীচম হাৎপা ঙসিসু তোক্ত্রি। মফম কয়াদা মীয়াম্বু কিহন-খংহনবা, নোংমৈ কাপশিনবা তোক্ত্রি। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অসি কয়াম কুইনা তাদুনা য়েংদুনা লৈখিগদগে? চীফ মিনিষ্টর অমদি মাগী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংনা হোম মিনিষ্টর অমদি প্রাইম মিনিষ্টরবু নীংথিনা কনভিন্স তৌবা ঙমদবগী মমি চাউনা তারিবসি করিগীনো?

অমুকসু হংলি, 'কুকি মিলিটেন্টশিংবু লাকশিল্লবা থোক্লিবা ঈরাংসি ফনি খঙনা খঙনা করিগী অসুক শাংবা মতমসি কুকি মিলিটেন্টশিং লাকশিনবা ঙমদবনো?" রিলিফ কেম্পতা কয়াম কুইনা নমশিন্দুনা অৱাবা তারবা প্রজাশিংবু থমখিগদৌরিবগে? গভর্ণমেন্ট রিসেট্টলমেন্ট এন্দ রিহেবিলিটেসনগী থবক করিগী অসুক য়াম্না থিন্থদুনা লৈরিবা করিগীনো? হৌজিক লৌউ-শিংউবগী মতমনি। কয়াম কুইনা কুকি মিলিটেন্টশিংবু অসুম্না লমহেন-তুহেন্দুনা থমখিগদৌরিবনো? রিসেট্টলমেন্ট এন্দ রিহেবিলিটেসনগী থবক ৱার ফুটিংদা তৌবীয়ু।

পোলিটিকেল দ্রামা তোকসি! অশেংবা অচুম্বা তৌফম থোকপা থৌদাং লৌবগী মহুত্তা মমাঙগী কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টতা মরাল শীজিন্দুনা লৈবগী মহুত্তা তৌগদবা তৌফম থোকপা থৌদাং থৌনা লৈনা মতিং ফূদোক্তুনা অরৈবা শক্তি শীজিন্নদুনা কুকি মিলিটেন্টশিং লাকশিন্নবা হোৎনবীয়ু। সেন্টরদা অমদি ষ্টেটতা পাৱর পায়দ্রবা কোংগ্রেসতা ওনশিন্দুনা অশোয়বা থিবগী মহুত্তা দবল ইঞ্জিন গভর্ণমেন্টনা কুকি মিলিটেন্টশিং অথুবদা লাকশিন্দুনা শান্তি পুরক্লবা হোৎনবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি খল্লি। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা কুকি মিলিটেন্টশিং থেংনবা ঙম্লোইদবা ওইরবদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা শক্তি পূম্বা শিন্নদুনা ষ্টেটকী লৈজরিবা ষ্টেট ফোর্সশিংদা অফবা মখলগী খূৎলায়শিং পীদুনা থেংননবা হোৎনবিরো। মসি নৎত্রগনা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা কাওন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিং পূম্নমক দেল্লীদা চৎতুনা প্রাইম মিনিষ্টর উন্নদুনা নীংথিনা কনভিন্স তৌদুনা কুকি মিলিটেন্টশিং অথুবদা লাকশিন্নবা হোৎনবীয়ু।

মসি নত্তদুনা ৱাদুনা তোকচখিনি খন্দুনা দিলেয়িং টেক্টিস তৌদুনা ঐখোয় মশেল হাৎনবা য়েংদুনা লৈরিবমখৈ কোল্লেটরেল দেমেজ কয়া লাক্কনি। লাকসু লাক্লি। মীয়ামগী অশাওবা লাকশিনবা ঙমদবা তাঞ্জা লাকপদা ঐখোয় মসিদগী হেন্না শাথীবা শক্তম অমা লাক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। হৌজিক চীফ মিনিষ্টর শিনবগী কেম্প তৌবগী মীচং খোম্নবগী মতম নত্তে। ঐখোয় অমত্তা ওইনা মাঙদা তারিবা ইস্যু অসিদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা অথুবদা শান্তি পুরক্লবা ঐখোয় খুদিংমক্লা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। মসিদা মরু ওইনা কুকি ইচিল ইনাওশিংনা লৈরিবা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি অমদি য়ুনিটি এন্দ দাইভর্সিটি মশক খঙনা মণিপুরগী পুৱারী মশক খঙনা অপূনবা মণিপুর অমগী শক্তম কায়দনা হান্নগুম্না পূন্না হিংমিন্ননবা হোৎনবা মথৌ তাই। ঐখোয় খুদিংমক অশাওবা পেন্দবা কয়া থাদোক্লদুনা শোয়নখিবা লান্নখিবা খুদিংমক অমনা অমবু ঙাকপীদুনা পূম্নমক কাউথোক্লদুনা হান্নগী পুন্সিদা লাক্লবা ঐখোয় খুদিংমক্লা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। ঐখোয় হিংসানা সোল্যুসন অমত্তা পুরকপা ঙম্লোই। অরোইবদা সেন্টর অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা সুগী গ্রাউন্দ রুলশিং থুগায়রিবা কুকি মিলিটেন্টশিংবু অথুবদা লাকশিন্নবা হোৎনদুনা তংদু লৈতাবা, নেনা-তাবা পুন্সি মহিংদা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবীয়ু। রিসেট্টলমেন্ট এন্দ রিহেবিলিটেসনগী থবক য়াঙনা পায়খৎপীয়ু। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।